


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, MAY 25, 2017 PAGE 7





থা ১৫ ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিনা থিংখ্রবা পোৎয়ান শিজিন্নরম্বী হায়বগী মরালদা শান্নবা লেপহল্লুরবা মতুং ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দ স্লামগী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট ওইরিবা রোজর্স কপতা ৱাইল্ড কার্দ ফংখ্রবী সরাপোভা

স্পেনগী সুপ্রিম কোর্টনা মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইবতা নত্তনা মশামক্না ফংখিবা আই অদু ময়েক শেংদনা টেক্স পীদনবা হোৎনৈ হায়বগী চার্জ অদু ককখ্রবা শান্নরোই লিওনেল মেসি

## সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লম্বা তৌনরগনি


সুদিরমান কপ্তা ইন্দোনেসিয়াবু মায়থিবা পীবদা লুচিংলিবী ইন্দিয়াগী সিন্ধু

*গোল্ড কোষ্ট, মে ২৪ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল কোষ্ট সিটিদা চত্থরিবা বেদমিন্টন শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা টিমগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সুদিরমান কপ ২০১৭ কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনা লম্বা তৌনরগনি।

লৈবাক ১২ না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরিবা সুদিরমান কপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি গ্রুপকী অরোইবা রাউন্দগী মেটচশিংগী মনুং চন্না গ্রুপ (দি) দা দেনমার্কপু ইন্দোনেসিয়ানা মেটচ ৩–২ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী ওইনা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচশিংদা দেনমার্কনা ইন্দিয়াবু মেটচ ৪–১ দা থোইখিবনি। মদুগী মতুং ঙরাং ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়াবু মেটচ ৪–১ দা থোইবা ঙমখি।

অদুগা গ্রুপ অসিমক্কী অরোইবা লীগ মেটচতা দেনমার্কপু ইন্দোনেসিয়ানা মেটচ ৩–২ দা থোইদুনা গ্রুপ অসিগী ওইনা পোইন্ট টেবল য়েংনরুবদা টিম অহুমক মেটচ অমমম মায় পাক্লরবসু মখোয়–মখোয়না মায় পাকপা মতমদা লম্বা ওইখিবা লৈবাক অদুগা মায়োক্লখিবা গেম মশিং য়েংনরুবদা দেনমার্কনা রাউন্দ অনী শান্নবদা মেটচ ৬ মায় পাকখি।

অমরোমদা ইন্দিয়ানা রাউন্দ অনী শান্নবদা মেটচ ৫ মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা ইন্দোনেসিয়ানা রাউন্দ অনী শান্নবদা মেটচ মরি মায় পাকপা ঙমখিবদগী মায় পাকপগী মেটচ মশিং চাংদম্নবদা ইন্দোনেসিয়াদগী ইন্দিয়ানা মেটচ অমা হেন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি গ্রুপ (দি) গী অরোইবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী টিম্না দেনমার্কপু মেটচ ৩–২ দা থোইখি। অহানবা মেটচ অদু মিক্স দবলসকী ওইখি। মদুদা ইন্দোনেসিয়াগী জুরা প্রবিন জোর্দান অমসুং দেবি সুন্টোনা দেনমার্ককী জে এফ নেলসন অমদি খৃষ্টিনা পেদর্সনবু ২১–১২, ২১–১৩ দা থোইখি।

মখা তারকপা মেটচ অদু ইন্দোনেসিয়াগী নহা ওইরিবা এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংনা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনবু ১৩–২১, ২১–১৭, ২১–১৪ দা থোইদুনা মেটচ অনী মাঙজিল থাখি।

নুপাগী দবলসকী লম্বাদা দেনমার্ককী মথায়স বোয়ে অমদি কাপ্টেন মোর্গেনসেননা ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস গিদিয়োন অমসুং কেবিন সুকামুলজেবু অকনবা লম্বাদা ১৬–২১, ২৪–২২, ২৩–২১ দা থোইদুনা দেনমার্ক মেটচ অমা শোত্থরগা ১–২ দা লৈখি।

মরিশুবা মেটচ অদু নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বা ওইখি। মদুদা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানি ফিত্রিয়ানিনা দেনমার্ককী মিয়া ব্লিকফেল্টপু ২২–২৪, ২১–১৫, ২১–১৪ দা থোইদুনা টাই অদু মেটচ ৩–১ দা হেন্দুনা লৈখি। অদুবু অরোইবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী দবলসতা দেনমার্ককী কামিলা রাইটর অমসুং খৃষ্টিনা পেদরসনননা ইন্দোনেসিয়াগী গ্লিজিয়া পোলি অমদি অপ্রিয়ানি রহায়ুবু ২১–১৮, ১৩–২১, ২১–১৩ দা থোইবা ঙমখ্রবসু লীগ মেটচ অদু ইন্দোনেসিয়ানা মেটচ ৩–২ দা থোইবদগী ইন্দিয়াগী টিম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা থা অসিগী ২৬ তা মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা চাইনাগী লম্বা তৌগদৌরিবনি।

হয়েং শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা লম্বা তৌনগদৌরিবা টিমশিং অদুদি চাইনিজ তাইপৈ অমসুং সাউথ কোরিয়া অমদি থাইলেন্দ অমসুং দেনমার্কনি।

থা অসিগী ২৬ তা মখা তানা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা টিমশিং অদুদি চাইনা অমসুং ইন্দিয়া লোয়ননা জপান অমদি মালেসিয়াগী টিম্নি।

## ইন্টরনেসনেক্স দি ষ্ট্রাসবর্গতা ফ্রান্সকী এ হেসেবু মায়থিবা পীদুনা চাইনাগী পেং স্বাই ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



*ষ্ট্রাবর্গ, মে ২৪ ঃ*

ফ্রান্সকী সহর ষ্ট্রাবর্গতা চত্থরিবা ইন্টরনেসনেক্স দি ষ্ট্রাবর্গ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা চাইনাগী পেং স্বাইনা য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী এ হেসেবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবী চাইনাগী পেং স্বাইনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী এ হেসেবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৫, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা স্পেনগী স্বারেজ নাভারো অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থ ষ্টোসুর লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবী স্পেনগী স্বারেজ নভারোনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী সি মেকহেলবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা স্বারেজ নাভারোগা লম্বা তৌনগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থ ষ্টোসুরনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী এম ব্রেঙ্গলবু ৬–০, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভা অমসুং অতোপ্পা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এ বার্টিগা লম্বা তৌনরগনি।

দারিয়া গাভ্রিলোভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইলিজাভেটা কুলিচকোভাবু সেট অহুম চঙনা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৬–৩, ৬–৭(৫–৭), ৬–৪ দা থোইরম্বনি। অমরোমদা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ বার্টিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী সি জিওর্জিবু ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজ কোভাসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না অনীশুবা রাউন্দদা প্যাটো রিকোগী মোনিকা প্যুগপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী জুরা এ বার্টি অমদি সি দেল্লাক্বা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। জুরা অসিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা জপানগী এস অয়ামা অমসুং চাইনাগী য়াং ঝাওঝুয়াংবু ৭–৬(৭–২), ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী জুরা অসিনা ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী চান হাও চিং অমসুং চান য়ুং জান অমদি স্লোভাকিয়াগী সি স্কামলোভা অমসুং নেদরলেন্দসকী ই ৱাকানোগী অথোইবগা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

## চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা মায়োক্লবা টিম লেম্না থারোইদবনি ঃ কেপ্টেন ভিরাট কোলি

*মুম্বাই, মে ২৪ঃ*

ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম্না মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট কয়াগী লৌবা ঙমখ্রবা মতুং লৌখিবা টাইটলশিংগী অদুগী থংনবা চহীদা টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমদবগী রেকোর্দ অমা লৈরি। অদুবু হৌজিক–হৌজিক ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোলিনা জুন ১ দগী ইংলেন্দ অমসুং ৱেল্সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা আইসিসি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা মমাঙদা ফংখিবা টাইটল অদু দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা লম্বা তৌনগদৌরিবা টিমশিং অদু লেম্না থারোই হায়না টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোলিনা ফোঙদোকখ্রে।

ভিরাট কোলিনা মখা তানা ফোঙদোদকখিবদা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী ইদিসনদা ইন্দিয়াগী টিম অদু য়াম্না নৌবা টিম অমা ওইদুনা মখোয় মশেলগী মরক্তা য়াম্না নুংঙাইবা মওংদা শান্নদুনা প্রেসর লৈতনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি হায়রি।

অদুবু হন্দক্কী আইসিসি চেম্পিয়ন্স ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মমাঙদা মখোয়না ফংখিবা টাইটল অদু দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা থেংনগদৌরিবা লম্বাশিং অদুবু লেম্না থারোইদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা চঙশিন্দুনা টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়াগদৌরি।

মথং থাগী ১ দগী হৌগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অসিনা ন্যু জিলেন্দ অমসুং বংলাদেশকা ৱার্ম অপ মেটচ অনী শান্নগনি।

মদুগী মতুং জুনগী ৪ দা ইংলেন্দগী বিরমিংঘাম সিটিদা মতম কুইনদগী লম্বা ওইদুনা লাক্লবা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক পাকিস্তানগা অহানবা মেটচ শান্নগদৌরি।

### CHAMPIONS TROPHY 2017 - Schedule

| Date | Match No. | Match Details | Time |
|---|---|---|---|
| 01 June, 2017 | Match 1 | England vs Bangladesh<br>The Oval, London | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 02 June, 2017 | Match 2 | Australia vs New Zealand<br>Edgbaston, Birmingham | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 03 June, 2017 | Match 3 | Sri Lanka vs South Africa<br>The Oval, London | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 04 June, 2017 | Match 4 | India vs Pakistan<br>Edgbaston, Birmingham | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 05 June, 2017 | Match 5 | Australia vs Bangladesh<br>The Oval, London | 18:00<br>12:30 GMT / 13:30 PM LOCAL |
| 06 June, 2017 | Match 6 | England vs New Zealand<br>Sophia Gardens, Cardiff | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 07 June, 2017 | Match 7 | Pakistan vs South Africa<br>Edgbaston, Birmingham | 18:00<br>12:30 GMT / 13:30 PM LOCAL |
| 08 June, 2017 | Match 8 | India vs Sri Lanka<br>The Oval, London | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 09 June, 2017 | Match 9 | New Zealand vs Bangladesh<br>Sophia Gardens, Cardiff | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 10 June, 2017 | Match 10 | England vs Australia<br>Edgbaston, Birmingham | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 11 June, 2017 | Match 11 | India vs South Africa<br>The Oval, London | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 12 June, 2017 | Match 12 | Sri Lanka vs Pakistan<br>Sophia Gardens, Cardiff | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 14 June, 2017 | 1st Semi Final | A1 vs B2<br>Sophia Gardens, Cardiff | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 15 June, 2017 | 2nd Semi Final | A2 vs B1<br>Edgbaston, Birmingham | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |
| 18 June, 2017 | Final | T.B.C. vs T.B.C.<br>The Oval, London | 15:00<br>09:30 GMT / 10:30 PM LOCAL |

## ইন্দিয়ানা নেপাল মায়থিবা পীদুনা এসিয়া কপ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে



নেপালবু মায়থিবা পীদুনা ফিবা এসিয়া কপ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী বাস্কেটবোল টিম

*মালে, মে ২৪ঃ*

মালদিপ্সকী সহর মালেদা থা অসিগী ১৯ দগী চত্থরকপা সাউথ এসিয়ান বাস্কেটবোল টাইটলগী ঙরাং লোইশিনবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা নেপালবু পোইন্ট ৯০–৪৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না মেটচ ৪ শান্নখিবদা ৪ মক মায় পাক্তুনা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা চহী অসিমক্তদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিবা এসিয়া কপ অমদি ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিবা বাস্কেটবোল ৱার্ল্ড কপ এসিয়ান ক্বালিফায়রগীদমক শরুক য়াবা য়ারগনি।

ঙরাং অথেংবদা মালদিপ্সকী সহর মালেদা লৈবা মালদিপ্স সেন্টর ফোর সোসিয়েল এদুকেসন য়ুঠ সেন্টরদা শান্নখিবা সাউথ এসিয়ান বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন টাইটলগী অরোইবা লীগ মেটচতা ইন্দিয়ানা নেপালবু পোইন্ট ৯০–৪৪ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফংখিবদা নত্তনা ফিবা এসিয়া কপ অমসুং ফিবা বাস্কেটবোল ৱার্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা ঙরাং শান্নখিবা অরোইবা অমদি মরিশুবা লীগ মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা হৌবদগী হৌনা নেপালগী শান্নরোইশিং অদুবু খুদুম চন্দুনা চৎখি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা নেপালবু ২৫–৬ তা হেন্দুনা চৎখি। মদুগী মতুং অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ২০–৭ দা হেল্লগা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা নেপালবু পোইন্ট ৪৫–১৩ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৪৫ স্কোর তৌখিবদা নেপালগী শান্নরোইশিং অদুনা শুপ্পগী পোইন্ট ১৩ খক স্কোর তৌবা ঙমখি।

অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা নেপালগী শান্নরোইশিং অদুনা ফনা কন্না হোৎনরবসু ইন্দিয়াদগী মখোয়না পোইন্ট ৪ হন্থরগা ১৫–১৯ দা লৈখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৯০–৪৪ দা থোইখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পামেটচ অমদা মালদিপ্সনা শ্রীলঙ্কাবু পোইন্ট ৬৯–৬৩ দা থোইখি। অদুগা মালদিপ্সকী টিম মেটচ ৪ শান্নবদা অমখক মায় পাক্লগা ৩ মায়থিদুনা পোইন্ট টেবলগী মমৈদা লৈখি।

## ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম্না লাক্কদৌরিবা থা ১৩ দা ইন্টরনেসনেল মেটচ ১৫ শান্নবগী সেদ্যুল লৈরি

*ন্যু দিল্লি, মে ২৪ঃ*

ইকুই কুইদ্রিঙৈদা মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা মথং–মনাও নাইবা পরিংদা মকোক থোংবা টিম ১০০ গী মনুং চনবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম্না লাক্কদৌরিবা থা ১৩ অসিদা ইন্টরনেসনেল মেটচ ১৫ শান্নগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অমদি মসিগী মার্কেটিং পার্টনর ওইরিবা ফুটবোল স্পোর্টস দিভেলপমেন্ট লিমিটেদকা খুৎশম্নদুনা চহী অসিগী মার্চ থাদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিবু মখা তানা ফজহন্নবগীদমক মপান লৈবাক্তা চত্তুনা ইন্টরনেসনেল মেটচ ১৫ শান্নবগীদমক শেম–শাখ্রে হায়রি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা খ্বাইদগী অহানবদা শান্নগদৌরিবা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচ অদু থংনবা লৈবাক অমা ওইরিবা নেপালগা মুম্বাইদা লৈবা অন্ধেরি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জুন থাগী ৬ তা শান্নগদৌরি।

## ইন্দিয়াগী সিধু পোইন্ট অনীখক ৱাৎলগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে



*ম্যুনিক, মে ২৪ঃ*

জর্মনিগী ম্যুনিক সিটিদা পাঙথোকপা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থল্লম্বা ঙল্লম্বী হিনা সিধুনা নুপীগী এয়র পিস্তোলদা শুপ্নগী পোইন্ট অনীখক ৱাৎপদগী ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী হিনা সিধুনা নুপীগী মিটর ১০ এয়র পিস্তোলগী ইভেন্ট অদুদা অতোপ্পা সুট্টর ১০৩গী মনুংদা ১৮ শুবা পোজিসন তাখিবনি।

সিধুনা সুট্টিংগী কম্পিটিসন অদুদা হৌরকপকী রাউন্দশিং দা অশোয়বা খরা লৈখ্রবসু য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা ফাইনেল য়ৌননবগীদমক্তা মথৌ তাখিবা পোইন্ট অনী ৱাৎলগা ৱার্ল্ড কপ অদুগী মেডল ফংবগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদবনি।

মশাগী চহী ২৭ তা ঙাইরিবী ইন্দিয়াগী হিনা সিধুনা মহাক্কী অরোইবা রাউন্দদা টার্গেট মরি কাপ্পতা ৯৩, ৯৬, ৯৭ অমদি ৯৬ তা লৈখিবদগী ইভেন্ট অদুদা মকোক ওইখিবা গ্রিসকী অনা কোরাকাকিগী অপুনবা পোইন্ট ২৪১.২ দগী হন্থরগা অতোপ্পা শান্নরোই কয়াগা লোয়ননা ১৮ শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

## বেদমিন্টন ৱার্ড ফেদরেসনগী এঠলিটস কমিসনদা ইন্দিয়াগী সিন্ধু মেম্বর ওইনা খনখ্রে

*হায়দরবাদ, মে ২৪ঃ*

কুমজা ২০১৬ দা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসতা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেডল ফংহৌরবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসনগী এঠলিটস কমিসনদা মেম্বর ওইনা খনখ্রে।

শান্নরোইশিংগী কমিসন অসিগী মকোক মথং তাবা শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংগী ওইবা মীফম অদু হৌজিক–হৌজিক মালেমগী টিমগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা সুদিরমান কপ্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুবু ফেদরেসন অসিগী এঠলিটসশিংগী কমিসনদা মেম্বর ওইনা খনখিবনি।

সিন্ধুনা কমিসন অসিগী মেম্বর অমা ওইনা খল্লক্লবা মতুং ফোঙদোকখিবদা শান্নরোই পুম্নমকপু মহাক্না কমিসনদা য়াওননবগী লম্বেলদা মতেং পাঙলকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা কমিসন অসিগী মেম্বর অমা ওইবগী থৌদাং লৌবা মতমদা অচুম্বনা খ্বাইদগী মাঙদা থল্লগা থবক পায়খৎকনি হায়খি। ফম অসি পায়বগা লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না শেংবা মওংদা থবক তৌগনি হায়রি।